# খুন্নাই অমা শেমদোক্লবা হোৎনবদা থিয়েতরনা অচৌবা থৌদাং লৌরি: জয়




ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (এস এন এস)ঃ খুন্নাই অমা শেমদোক্লবা হোৎনবদা থিয়েতরনা অচৌবা থৌদাং লৌরি অমদি থিয়েতরননা খুন্নাই অসিদা লৌরিবা থৌদাংশিং অসি অসুক্কী মতিক চাউই হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী আর্টস এন্দ কলচরগী রিটিয়ার্ড কম্মীস্নর মোংজম জয়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি রূপমহল বিল্ডিং শঙ্গাখিবগী ৭৮ শুবা এনিভসরিগা মরী লৈন্না ইম্ফালগী বি টি রোদতা লৈবা রূপমহলদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ঈশৈ নৎত্রগা ৱারী অমা তাবদগীদি ফিল্ম অমদি দ্রামা গুন্বা য়েংবা অসিনা ঐখোয়গী ৱাখলদা কাওদুনা লৈবা হেল্লি। মরম অসিনা থিয়েতর অসি য়াম্না চাউবা মেদিয়ম অমা ওইরিবনি। লোয়ননা থিয়েতর চাউখৎনবনি হায়দুনা শিনফম কয়াদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্না থৌদাং লৌমিনশি অমদি খুন্নাই অসিসু শেমদোকপদসু অমত্তা ওইনা হোৎনমিনশি হায়খি।

রূপমহল থিয়েতর হৌদোরকপগী অচৌবা থৌদাং লৌবিরম্বা লৈখিদ্রবা হাৱাইবম নিলামণিগী মতিক মগুলশিং অদুবু শিংথবা, নীংশিংবা অমদি ইকায় খুম্নবা কুমজা ২০০৭দগী হৌদুনা চহী খুদিংগী তোঙান তোঙানবা থিয়েলতরগী লমদা মশক নাইরবা মীওইশিংদা এৱার্দ অসি পীদুনা লাক্লি হায়খি।

থৌরম অদুদা মণিপুর লৈঙাক্কী আর্টস এন্দ কলচরগী রিটিয়াদ কম্মুস্নর মোংজম জয় অমদি রূপমহল থিয়েলতরগী ভাইস চেয়ারমেন লোইতোংবম ব্রজামোহননা মীথুং লেন ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অসিগা মরী লৈন্না ১৮শুবা হৱাইবম নিলামণি এৱার্দ কুমসি চহীগী ওইনা শক্লাইরবা অইবা মণি য়ুম্নামদা লান্থোকখ্রে। শেলগী মনা ওইনা লুপা লিশিং ১০,০০০ অমদি সার্টিফিকেট, মোমেন্তোসু খুৎশিন্নখি। থৌরম অদুগী মনুং চন্না লৈখিদ্রবা হৱাইবম নিলামণিগী ফোতোদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

লোয়ননা ঙসি ফাওবদা হৱাইবম নিলামণি এৱার্দ ফংখ্রবা শক্লাইরবা শক্লাইরবীশিং অদুদি রতন থিয়াম, হৈস্নাম কহ্নাইলাল, ডা. অরাম্বম লোকেন্দ্রো, ওইনাম বিরমঙ্গোল, হৈস্নাম ওংবী সাবিত্রি, অরিবম শ্যাম শর্ম্মা, নাওরেম কালিমোহোন, হৈস্নাম ওংবী ইন্দু, ৱারেপ্পা নবা, য়েংখোম রোমা, এল মণিকুমারী, লোইতোংবম দোরেন্দ্রো. ডা. সনাবম থানিনলৈমা, সোরেনশাংবম লক্ষ্মীকান্ত, কঙাবম তোম্বা, খ্বাইরাকপম বিশ্বামিত্র, হৈস্নাম তোম্বানি।

কুমসি চহীগী মনা ফংখ্রবা মণি য়ুম্নামনা ঙসি ফাওবদা ষ্টেজ লীলা, রেদিও লীলা, টেলিপ্লে, শুমাং লীলা পূন্না ৯০গী মথক্তা ইখ্রে অমদি মনা কয়া অমসু ফংখ্রে হায়রি।

# মণিপুর কোওপরেটিভ সোসাইটিজ এক্ট, ১৯৭৬ ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭(এস এন এস)ঃ মণিপুর ষ্টেট কোওপরেটিভ য়ুনিয়নগী মখাদা দ মণিপুর কোওপরেটিভ সোসাইটিজ এক্ট, ১৯৭৬ ঙসি লম্ফেলপাৎতা লৈবা মণিপুর ষ্টেট কোওপরেটিভ য়ুনিয়নগী ওফিসতা ফোঙবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুর ষ্টেট কোওপরেটিভ য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট লোংজম তোমপীশক, ভাইস প্রসিদেন্ট হিলস অমদি ভেল্লি, ওফিসারশিং অমদি বোর্দ মেম্বরশিংসু য়াওখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা মণিপুর ষ্টেট কোওপরেটিভ য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট লোংজম তোমপীশকনা হায়, মণিপুর ষ্টেট কোওপরেটিভ য়ুনিয়নগী মখাদা 'দ মণিপুর কো ওপরেটিভ সোসাইটিজ এক্ট, ১৯৭৬, রুলস অমদি লো অসি ফোঙবনি। কোওপরেটিভ হায়বসিদি এক্ট অমদি রুলগী মখাদা চল্লাইরগা চৎনবা ঙাক্তনি। মরম অদুনা হায়রিবা এক্ট অসি ফোঙবনি। মসি রেজিষ্ট্রারগী নোলেজ মখাদা তান্নরগা এক্ট অসি ঙসি ফোঙদোকপনি। হায়রিবা এক্ট অসি মৈতৈ ময়েক অমদি বেঙ্গালি ময়েক্তসু অমুক ফোঙনবা পান্দম থল্লি।

মণিপুর কোওপরেটিভ সোসাইটিজ এক্ট, ১৯৭৬ ফোঙবগী থৌরম অসিগী মাঙওইননা কোওপরেটিভ য়ুনিয়ন অসিগী ওফিসিয়েলশিং, ষ্টাফমশিংগী মিটিংসু পাঙথোক্তুনা তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা খন্ন– নৈনখি।

# শেঙ্গাও পায়বশিংনা তৌনিংবতা তৌবদগী ...

*লমায় ১গী মখা...* তানা হায়, মোদি লৈঙাক্না খুদোংথিনিঙাই ওইরবা ইকোনোমিক পোলিসিশিং চৎনদুনা শিন্নীশিংগী পুন্সি কয়া মাঙ তাকহল্লে। ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা বি জে পি লৈঙাক লাকপদগী ইন্দিয়াদা লৈরিবা কোওপরেটশিংবু শেঙ্গাও পায়বশিংদা পীথোক্তুনা প্রাইভেটাইজ তৌদুনা লৈরিবশিংবু ঈ চুপ্পা অমদি নৈহৎতুনা থম্বীবগী মায়োক্তা লাক্লিবা জুলাই ৯ দা ইন্দিয়া পূম্বদা লৈরিবা সেন্ত্রেল ট্রেদ য়ুনিয়ন ১১ অমদি ফেদরেসন কয়াগা খূৎশন্নদুনা নেসনৱাইদ জেনরেল ষ্ট্রাইক চত্থরগনি।

মসিগুম্বা বি জে পি লৈঙাক্না চত্থরল্লিবা থৌওং কয়া অসিগী মায়োক্তা লেপ্তুনা লায়রবশিংগী হক মৎপা য়ারোই হায়দুনা খোঙজং কয়া চত্থদুনা লাক্লি। লোয়ননা য়ুনিয়ন বদজেট ২০২৫–২৬ অসিদা তোঙান তোঙানবা প্রপোজেল কয়া হাপচিনগদবনি হায়না দিমান্দ তৌখি। দিমান্দশিং অদুগী মনুংদা মিনিমম সপ্পোর্ট প্রাইসকী লীগেল গরেন্টি পীবা, এগ্রিকলচরেল মার্কেটশিংগী দ্রাফ্ট নেস্নেল পোলিসি ফ্রেমৱার্ক হাংদোকপা, পব্লিক সেক্তর য়ুনিটশিংবু প্রাইভেটাইজেসন তৌবগী থৌওং লেপ্পা, এম জি এন আর ই জি এগী এল্লোকেসন চাদ ৫০ হেনগৎহনবা কয়া অসি বদজেটতা য়াওহনগদবনি।

অথুবা মতমদা নেস্নেল হায়ৱেশিং ফ্রি মুভমেন্ট য়াহন্দুনা অপনবা পীরিবশিংগী মথক্তা হায়ৱে প্রোটেক্সন ফোর্স খুদক্তা থমগদবনি। মণিপুরগী ৱাথোক অথুবা মতমদা ৱারী শান্নদুনা লোইশিন্নবা হোৎনগদবনি অমদি ওল্ড পেন্সন স্কিম চৎনহন্দুনা ন্যু পেন্সন স্কিম হাংদোক্কদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# ফুরুপকী লানবন শেমগৎপনা মাঙজবা...

*লমায় ১গী মখা...* শেংখি। দ আইদিয়া ওফ মণিপুর (কংলৈপাক), ইরৈপাক্কী ৱাখল্লোন অসি 'প্রোক্লেমেসন ওফ হিজ হায়নেস মহারাজ', কুমজা ১৯৪৮ গী ওক্টোবর ১৮ দা ময়েক শেংনা মমি তারি। মণিপুর (কংলৈপাক) গী নিংথৌ কন্সটিট্যুস্নেল মোনার্চ ওইখ্রবদা মীয়াম লৈঙাক পথাপকী চাউথোকচবা অদু মহাক্কী ৱারোল অদুদা ময়েক লানা থমখি। 'মণিপুর (কংলৈপাক) গী লৈবাক কাঙলোন অসি ইন্দিয়াদগী হেল্লি, শোয়দনমক ইন্দিয়ানা মতৌ তল্লক্কনি' হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

ইরমদম মণিপুর (কংলৈপাক) গী তুংলমচৎকী পান্দমবু শক্তাক্লন্দুনা মহাক্না অসুন্না হায়খি, 'দ ইন্টিগ্রিটি এন্দ সেপরেট এন্টিটি ওফ দ ষ্টেট (মণিপুর) ইজ প্রিজার্ভ ফোরইভর এজ হিয়ারতোপোর ইনস্যুর বাই পণ্ডিত জৱাহরলাল নেহরু'। মসিনা তাকপদি মণিপুর (কংলৈপাক) অসি তোপ তোপ্পা নীংতম্বা (সোভরেন) এন্টিটি অমা ওইনা শারেপ তমখ্রে অমদি ইন্দিয়ানা মসিবু ইকায়খুম্নগনি হায়খি হায়বসি য়াম্নমক ময়েক শেংনা পল্লি।

মণিপুর (কংলৈপাক) না নীংতম্না হাইনা–হুন্না মতম শাংনা পানবা ঙমখিবগী মরমদি 'চীং অমসুং তম অনীনা অমতা ওইনা লেপখিবা অমসুং পূন্না মণিপুর (কংলৈপাক) বু ঙাক শেনমিন্নরকপগীনি। বৃটিশনা লাক্লবা মতুংদা হিল অমসুং ভেল্লি খায়দোকখিবনি। বৃটিশ চৎখ্রবনিনা হৌজিক্তি ঐখোয় ইরৈচা মণিপুর (কংলৈপাক) শিং অমতা অমুক ওইরে' হায়বা ৱাফম মণিপুর (কংলৈপাক) নেসনেল পার্লিয়ামেন্টগী অহানবা মীফম অদুদা থমখি হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, নিংথৌনা পীখিবা ৱারোল অসিদা মণিপুর (কংলৈপাক) গী সোভরেন্টি, ইন্টিগ্রিটি অমদি মল্টি কলচরেল কো–এক্সিষ্টেন্সকী মতীক পূন্নমক চাউনা মমি তারি। মণিপুর (কংলৈপাক) অসি নেস্নেলিটি অমা ওইনা চীংমী–তম্মীনা পূন্না শেমগৎমিন্নরকপগী লীক্লম অদু ময়েক শেংনা উৎলি। মণিপুর (কংলৈপাক) অসি মৈহৌরোলদগী শেমগৎলকপা প্রিমোর্দিয়েল নেসন অমা ওইনা জজ সাংগুইনিস (রাইট ওফ ব্লদ) হায়বদি ব্লদ অমদি কলচরেল ট্রেদিসনগী মচাক্না শেমগৎলকই। মতমগী খোঙলৈ মতুং ইন্না অনৌবা খুন্নাইলোন 'সিভিক নেস্নেলিজম' সু লাকপা হৌখি। মণিপুর (কংলৈপাক) দা সোসিয়েল দেমোক্রেসি মঙফাওনখি। মসিনা মণিপুর (কংলৈপাক) বু মোদর্ন নেস্নেলিটি অমা ওইহনখি। জজ সোইল (রাইট ওফ সোইল) দা য়ূম্ফম ওইবা কন্সটিট্যুস্নেল এন্টিটি অমা ওইহনখি। ঙসি মালেমদা খ্বাইদগী চাউবা দেমোক্রেসিনি হায়না উৎ চাইরিবা ইন্দিয়াদগী মণিপুর (কংলৈপাক) না দেমোক্রেটিক কন্সটিট্যুসন লীংবা য়াম্না হানখি।

বৃটিশ লাক্ত্রিঙৈদগী মণিপুর (কংলৈপাক) দা সিভিক কলচর মরা তাবা হৌখি। মসিনা তাকপদি 'চীংবুরোই–তম্বুরোই' পূন্না মরোমদোম লেপ্পা সর্প্লস ইকোনোমি লৈবা লৈবাক অমা চহী লিশিং কয়া চঙনা শেমগৎলকখি। চীংনা কোয়না পনশাবা, চীংমীনা কোইনা পনঙাকপা হায়না ইপা–ইপুশিংনা শক্ল শোন্নরম্বা অসিদা মণিপুর (কংলৈপাক) অসি বৃটিশ লাক্ত্রিঙৈ মতমদগী নেসনেল জিও– বোদি এন্টিটি অমা ওইবগী চপ চাবা খোঙচৎ অমা লৈখি হায়বসি উৎলি। মরম অসিমক্কনি কুমজা ১৯৪৮ গী ওক্টোবর ১৮ গী ৱারোলদা বৃটিশনা চীং–তমগী অপূনবা শক্তমবু কাঙলূপ নাইবা পথাপ খায়দোক্তুনা থুগায়খি হায়না মতম অদুগী ইরমদমগী নেসনেল পার্লিয়ামেন্টদা পুখৎনখিবা, প্রি–বৃটিশ মতমদগী হৌনা মণিপুর (কংলৈপাক) অসি ইথনিক নৎত্রগা কাঙলূপকী ওযইবা লৈবাক অমা খক ওইরকখিদে। সিভিলাইজেসনগী খোঙচৎতা য়াওরকপা মীরোল কয়ানা পূনশিন্দুনা শেমখিবা ফুরুপনি।

মণিপুর (কংলৈপাক) গী মীয়ামগা শাগোন্নরকপা পূন্না হিংমিন্নবগী লীক্লম অসিবু আর্নেষ্ট রেনাননা দেলি প্লেবিসাইট হায়না শীংথারি। অপূনবা পুৱারী কম্মন পাষ্ট অমদি পূন্না হিংমিন্নবগী দিসায়র টু লাইভ তুগেদরশিং অসিনা ইরমদম অসি কলচরেল অমসুং লৈবাক ঙমখে মণিপুর (কংলৈপাক) হায়রিবা জিওবোদি অসি শেমগৎপা হৌখি। খোঙচৎ অসি সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাক কয়াগী খোঙচৎতসু উবা ফংখি।

মণিপুর (কংলৈপাক) দদি নেসনহুদকী খোঙচৎ অসি প্রি–কোলোনিয়েল লেজিসিজ কয়া য়াওই। মরম অদুনা ঙল্লিঙৈদগী খুন্দামিন্নরকপা কাঙলূপশিং অসি অমগা অমগা লোনশিন্নবা হায়বদি ওভরলাপ্পিং ওইবা মওংদা খুন দামিন্নরকখি। লৈঙাক অমগী মখাদা মপূং ফানা লৈত্রিবা অৱাংবা চীংগী মফম কয়াসু য়াওরম্মী। অদুবু মখোয়শিং অদু প্রি কোলোনিয়েল মতমদা লৈরম্বা লৈঙাক অদুদা তপ্পা তপ্পা চীংশিল্লকখি। মরমদি তম্পাক লমদমদা লৈখিবা লৌউ–শিংউ অমদি লল্লোন–ঈতিক, সর্প্লস ইকোনোমি অমসুং লৈঙাক্কী খুমাং চাউশিল্লকপা খোঙচৎ অদুদা য়াওনিংবা হেনগৎলকখি। মসিনা মণিপুর (কংলৈপাক) গী এদভান্স ষ্টেট মেকিং খোঙচৎ, চীং অমদি তম অনীগী লীক্লম, মণিপুর (কংলৈপাক) কৌবা নেসনহুদকী য়ূম্ফম ওইখি। ...মথং মথং...

# এম ঐচ জি ই দব্লিউ এনা দি এ হেনগৎপগী মতাংদা অমুক হন্না সেক্রেটরী তু গভর্ণরদা চেরোল পীশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭(এস এন এস)ঃ মণিপুর হোম গার্দ পার্সোনেলশিংগীসু দি এ চাদা ৩৯দা হেনগৎপিনবা রাজ্যপালদা হায়জখিবা ৱাফম অদুগী মতাংদা করি থবক লৌখৎপা লৈরমগে হায়বদু খঙহনবিয়ু হায়না ঙসি মণিপুর হোম গার্দ ইম্পোইয়ি ৱেলফিয়র এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ৱাই মঙ্গিনা সেক্রেটরী তু গভর্ণরদা নীংশিং চেরোল অমা পীশিনখ্রে।

চেরোল অদুগী মতাংদা পল্লদুনা এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ৱাই মঙ্গিনা হায়, সরকারনা থোকপা ওদরগী মতুংইন্না মতম মতমগী ওইনা সরকারগী কমাচারিশিংদা দি এ হেনগৎখ্রে। হোম গার্দ পার্সোনেলশিংগীসু চাদা ১৪দগী হেনগৎতনা লৈরি। কুমজা ২০২২গী এপ্রিল অমদগী দি এ অসি চাদা ১৪দগী ১৭.৫, ২০২২গী জুন দগী চাদা ২১, চহী অসিগী দিসেম্বর ১দা চাদা ২৮ অমদি ২০২৪গী মার্চ ১দা চাদা ৩২ অমদি চহী অসিগী জনুৱারীদগী চাদা ৩৯দা হেনগৎখ্রে। মরম অসিনা হোম গার্দ পার্সোনেলশিংগীসু চহদা ৩৯দা হেনগৎপিনবাা মরি লৈনবশিংদা তকশিন্দুনা লাক্লি।

মহাক্না মখা তারদুনা সরকারগী মরিলৈনবশিংনা থবক্তা ওন্থোরক্তবনা চহী অসিগী মে ২১দা মণিপুরগী গভর্ণর অজে কুমার ভাল্লানা হোম গার্দশিংগীসু দি এ চাদা ৩৯দা হেপগৎপিনবা এসোসিয়েসননা অইবা চেরোল অমা পীশিনখি। অদুবু ঙসি ফাওবা গভর্ণর অমদি এদমিনিষ্ট্রেটিভকী মায়কৈদগী পাউখুম অমত্ত পীরক্তবনা ঙসি অমুক হন্না হিরম অসিগী মতাংদা করি থবক পায়খৎলবগে হায়বদু খঙহনবিয়ু হায়না সেক্রেটরী তু গভর্ণরদা নীংশিং চেরোল অদু পীশিনবনি। প্রসিদেন্টনা মখা তারদুন হায়, এসোসিয়েসননা তাক্লিবা দাবি অসি মরম চাবা ঙাক্তনি। সুপ্রিম কোর্ট অমদি হায় কোর্টকী হুকুম অমগী মতুংইন্না হোম গার্দ পার্সোনেলশিং দসু পুলিস কন্সটেবল অমনা ফং লিবা মিনিম পে অদু পীগদবনি হায়রিবনি। মসিগীসু মথক্তা মতম মতমগী মতুংইন্না পে, পি এনা চিংবা হেনগৎপদা হোম গার্দশিংগীসু য়াওগদবনি হায়রিবনি।

অমরোমদা চহী অসিগী এপ্রিল ২দা ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিনা থোকপা ওফিস মেমোরেন্দম অমগী মতুং ইন্না দিল্লিদা লৈরিবা হোম গার্দ পর্সোনেলশিংগীদি দি এ সি চাদা ৫৩দগী ৫৫ দা হেনগৎখ্রে। অদুবু ষ্টেট অসিদা মথৌ তৌরিবা পার্সোনেলশিংগীদি চাদা ১৪দগী হেন্না ফংদ্রি।

মহাক্না হায়, হিরম অসিগী মতাংদা সরকারগী মরি লৈনবা ওফিসিয়েলশিংনা মীৎয়েং চঙবিদুনা থবক্তা ওন্থোক্লবা গভর্ণরদা অইবা চেরোল অমা মে ২১দা পীশিনখিবনি। অদুবু ঙসি ফাওবা পাউখুম অমত্তা পীরক্তবদগী হিরম অসিগী মতাংদা করি থবক লৌখৎলবগে হায়বদু খঙহনবিনবা এসোসিয়েলসননা ঙসি অমুক হন্না অইবা চেরোল অসি পীশিনখিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

অমরোমদা এসোসিয়েসন অসিনা লৈখিদ্রবা অমদি থবক্তগী পোথারবা হোম গার্দ পার্সোনেলশিংদা পীবা স্কিমগী তেংবাং শেনফম লাক্লিবা জুলাই ১২দা জি এম হোলদা য়েন্থোক্কনি। পার্সোনেলশিংনা থৌরম অসিদা মপুং ফানা শরুক য়ানবসু মহাক্না অপিল তৌরক্লি।

থৌরম অসিদা এদিসনেল দাইরেক্টর জেনরেল পুলিস (হোম গার্দ) ডা. আই কে মুইভা অমদি কম্মান্দেন্ত হোম গার্দ ভি এ ৱুঙম কসারনা মরুওইবা মীথুংলেনশিংনা ওইনা শরুক য়াগনি। মরম অদুনা থৌরম অসিদা হোম গার্দ পার্সোনেলশিংনা য়ুনির্ফোমদা লাক্তুনা শরুক য়াগদবনি হায়নসু খঙহল্লক্লি।

# ইবুথৌ পুলৈলোম্বগী ফিজোল হোংখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭(এস এন এস)ঃ ঙসি ইঙেলগী ১২ নি পানবা নিংথৌকাবা নুমিৎ অসিদা মমাং লাই হাক্তক্তগী পাঙথোক্তুনা লিশাং শিংনা চৎথরকপা লাইগী থৌরম অমা ওইনা ঙসিসু অঙোম য়েকশিংনা মপুং ওইনা শীন্দুনা তাঙাইফদনা পাঙথোকপা ইবুথৌ পুলৈলোম্বাগী লাইগী ফিজেল হোংবা অমসুং চেং হোংবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ঙসি চুরাচান্দ হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী কেম্পস মনুংদা লৈখ্রবা ইবুথৌ পুলৈলোম্বাগী তঙাই ফদনা পাঙথোকপা লাইগী থৌরম অদুদা অঙোম নিংথৌ পোইরৈতোন। লৈবাক্কী অখণ্ড অহৈ, অমাইবা অমাইবী, অঙোম য়েক শলাইগী মরুওইবা অহল–লমন অমদি মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

ঙসিগী ইবুথৌ পুলৈরোম্বাগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা অঙোম নিংথৌ পোইরৈতোননা ফোঙদোকপদা ইবুথৌ পুলৈলোম্বাগী লাই হাক্তক্তা পাঙথোক্তুনা লাক্লবা লাইগী তৌদবা য়াদ্রবা মশিল অমা ওইনা লৈবাক অসিগী চাকহোং ঙাহোংনবা, লৈবাক মরা তম্না পানবগীদমক লাইগী ফিজোল অমসুং চেং হোংবগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

ঙসি লৈবাক্কী তংদু লৈতাদনা লৈরিবা অৱা–অনা কয়া অসিবু কোকপিদুনা ইং তপ্পা, নুংঙাই য়াইফবা লমদম অমা ওইহনবিয়ু হায়না অঙোম নিংথৌ পোরৈতোননা ঈশ্বরগী মফমদসু নীজখি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# ওজা নুপানা নুপী মহৈরোইদা বোদি সর্চ ...

*লমায় ১গী মখা...* লাকশিন্নবা হোৎনখিবগা লোয়ননা মহৈরোই খরা খনগৎলগা ভি সিগা উন্নদুনা ৱারী শান্নহনখি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা দিপার্টমেন্ট ওফ টিচরস এদুকেসনদা সেকেন্দ সেমিষ্টর তন্লিবী মহৈরোই অমনা পাউচে অসিদা হায়, নুমিৎ অদুদা মহৈরোইশিংনা এগজাম থারিঙৈদা মশাদা হায়রমদনা ব্লেজরগী ফুরিৎখাউ হুমজিল্লকপদা নত্তনা ফুরিৎ মনুংদা পানবা ফুরিৎখাউদসু হুমজিল্লকই। থৌদোক অসিগী মতাংদা এম য়ুগী মরী লৈনবা ওঠোরিটিশিংদা কমপ্লেন্ট থাদুনা খঙহনখ্রে। অদুবু ঙসি ফাওবা চপ চাবা এক্সন অমত্তা লৌখৎলক্তবদগী প্রোটেষ্ট অসি তৌবনি। তৌরল্লিবা থৌওং অদু নুংথিল পোবোপ্তা মোলেষ্ট তৌবগুম্বনি। মহৈরোইশিংদা চত্থরম্বা মেন্টেল, ফিজিকেল অমদি সেক্সুয়েল হরাসমেন্ট অসি তরাইনা লৌগনু হায়বা ৱাফমশিং থমখি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ইনক্বারি তৌরি হায়রবসু ঙসি ফাওবা চপ চাবা অমত্তা খঙহল্লকপা লৈত্রি। মরম অদুনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন অমদি মরী লৈনবা ওঠোরিটিনা মীৎয়েং চঙবিয়ু। লোয়ননা হায়রিবা ওজাশিং অসি থবক্তগী তর্মিনেট তৌবিয়ু নৎত্রগা চহী ২ সস্পেন্দ তৌগদবনি।

হীরম অসিগী মতাংদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ষ্টুদেন্টস ৱেলফেয়ারগী দীন সিঐচ ইবোহলনা হায়, থা অসিগী ৪ দা বিএদ এগজাম থাবা মহৈরোই ১৭ না সাইন তৌবা কমপ্লেন্ট লেট্রর অমা এম য়ু ওফিসতা ফংই হায়নৈ। থা অসিগী ৫ দা দিপার্টমেন্ট অসিগী ঐচ ও দি, দীন ষ্টুদেন্টস ৱেলফেয়ার ওফিসতা মিটিং তৌখি। মুসুগী রিপ্রজেন্টেটিভ অমদি কমপ্লেন্ট তৌরক্লিবা মহৈরোইশিং য়াওখি।

দীন ওফিসনা লোইশিনবা ঙল্লোইদবা ওইবনা ষ্টুদেন্টস গ্রিভান্সেস রিদ্রেসেল কম্মিটিদা এপ্লিকেসন অমা তারে। থা অসিগী ৬ তা মিটিং পাঙথোকখি। কম্মিটিসিগী ঙসি অমুক হন্না মিটিং তৌদুনা কমপ্লেন্ট তৌরক্লিবা মহৈরোইশিং অমদি চৈন্নে হায়রিবা ওজাশিং পূন্নমক ইনক্বারি তৌদুনা করম্বনা অচুম্বনো হায়বদু পুথোক্তুনা করি করি এক্সন লৌবা য়াবগে হায়বগী প্রোসেসতা লৈরি। তৌরিবা ইনক্বারি অথুবা মতমদা লোইশিন্দুনা প্রোসিদিং অমা থোক্লক্লগনি। প্রোসিদিং অসিগী মতুং ইন্না ওঠোরিটিনা চপ চাবা এক্সন লৌখৎলক্কনি হায়খি।

# মণিপুরগী পোপ্পী থারম্বা চীংগী লমশিং ৱানা ...

*লমায় ১গী মখা...* লৈরি। মসিদা চীংগী লমশিংগী ওইনা লম্মৈ চাকপগী থৌদোক থোক্লিবা অয়াম্বনা পাল্লৌ উনবা মৈ থাবদগী থোক্লকপনি। লোয়ননা তম্পাক্কী মফমশিংদনা খোইরা লৌনবা হোৎনবদা মৈ থাবদা শোয়বদগী চাকপনা অয়াম্বা ওই।

মণিপুর অসি অপূনবা লমগী চাদ ৭৮ দি ফোরেষ্ট এরিয়া ওইরিবনি। মসিগী মনুংদা চাদ ৭৪ না ফোরেষ্ট কোভর এরিয়া ওইনা লৈরিবনি। অসুন্না উমংগী লম শরুক মরাং কায়না লৈবা লমদম অসিদা উমং কন্নবা অহেনবা থৌদাং লৌহৌবা য়াম্নমক তঙাইফদে। মীওইবগা উপাল–ৱাপালগা লৈনরিবা মরী অসি হেন্না চেৎশিন্নবা অমদি উপালশিং অদু ইশা ইশাগীনি হায়বা খনবা ঙম্ননবা ইমাগী মিংদা উ পাম্বী চারা অমমম থাননবা থৌশিল অসিসু হৌদোকখিবনি হায়রি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা মণিপুরগী গভর্ণর অজয় কুমার ভাল্লানা হায়, মণিপুর অসি মহৌশাগী খুদোলতনা থল্লবা লমদম অমনি। মসিবু য়োকখৎতুনা থম্বা হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্কী থৌদাংনি। ক্লাইমেট চেঞ্জ অসি হৌজিক হৌজিকমক থেংনরিবা অচৌবা ইশু অমা ওইরক্লবনি।

মরম অসিনা মীপূম খুদিংমক্না হয়েং ঙাইদনা ঙসি ঙসিমক অকোয়বগী খল কন্ননবা থবক পায়খৎপা মথৌ তাই। লোয়ননা ক্লাইমেট চেঞ্জ থেংনবদা উ থাবা হায়বসি খ্বাইদগী হেন্না কান্নবা পান্থৈ অমনি। মরম অসিনা ফুরুপ কাঙলূপশিংনা মাগী মাগী লৈজরিবা উমং য়োকখৎপগী মহৌশাগী থৌশিলশিং অদুগা অনৌবা সাইন্টিফিক ওইবা থৌওংশিং অসিগা তুনা চৎমিন্নদুনা উমংশিং অসি কন্ননবা পূন্না হোৎনমিন্নসি।

হৌখিবা চয়োল অমদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ১৬ তা উ চারা লাক্ষ ১৩ থাবা ঙমখিবা অসি চাউথোকচনিঙাইনি। লোয়ননা দিপার্টমেন্ট অসিনা লৌখৎলিবা প্লাষ্টিক বোট্রল রিসাইকল তৌবগী থৌওং অসিসু থাগৎলি হায়খি।

# এম এস এফ: অকনবা ঈহৌ লাক্ত্রিঙৈ...

*লমায় ১গী মখা...* হায়বা ৱাহৈ মুখুৎহন্দুনা উৎখিবা থৌওংশিং ঙসি তিনখিবা মহৈরোইশিংনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখি।

থোকখিবা থৌদোক অসিগী অচুম–অরান থিদোক্লবা হায়দুনা চীফ সেক্রেটরীনা হৌখিবা মে ২১ দা শেমখিবা ইনক্বারি কম্মিটি অদুগী রিপোর্ট ঙসি ফাওবা মীয়ামদা খঙহন্দবগা লোয়ননা মসিদা চেন্নরিবা সেক্যুরিটি পার্সোনেলশিং হন্দক্তা ইকুই কুইদনা থোকখিবা ঈশিং ঈচাওগী মিংদা মীয়াম্না চঙশিনখিবা খোঙজং কয়াগী খোল্লাও নমশিন্দুনা থল্লি। মণিপুর মীয়ামগী ঈহুল খঙনা অকনবা ঈহৌ অমা লাক্ত্রিঙৈ অথুবদা লৈঙাক্না অচুম্বা ৱায়েল পুরক্কদবনি। ঙসিগী থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা মহৈরোই অমদি মীয়াম্না থৌদোক অসিগী অচুম্বা ৱায়েল পুথোক্তনা মণিপুর লৈঙাক অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্না কয়াম কুইনা নমশিল্লগা থমখিগনি হায়বা ৱাহং অসি থৌরম অসিগা মরী লৈননা হংলি। মখা তানা ঈহৌ অমা লাক্লবা মণপুর অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্না মীয়ামদা ইনভাইট তৌবনি হায়না লৌদবা ঙমদে।

দ্রগ চাদুনা ইরমদমসি মাঙহনগুমসি, ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী মায়োক্তা ঐখোয় পূন্না লেপমিন্নসি, ইরমদমগী লৈমায়দা দ্রগ মরু ফংনা মুখৎলসি, দ্রগতগী ইরমদম কনসি, ইমা লৈবাক নুংশিসি অমদি অফবা মহৈরোই ওইসি হায়রিবা মচঙ ওইবা হীরমশিং অসিনা ঙসিগী খন্ন– নৈনবগী মপূং ওইবা শরুক ওইখি। থৌরম অসিদা লূপকী থৌমীশিং, স্কুলগী মহৈরোইশিং য়াওনা ওজাশিংসু শরুক য়াখি।

ৱাঙাংলোইশিংনা মহৈরোইশিংদা মণিপুরগী ওইবা ৱাফমদা কুপ্পা নৈনদুনা মহৈরোই / নহা অমা ওইনা খুন্নাই অসিদা করন্না, করম্বা মওংদা থৌদাংশিং লৌগদগে হায়বসিদা পাউতাক কয়া পীখি। চহী খুদিংগী হোংলক্লিবা অকোয়বগী ফীভম, কায়থরক্লিবা মহৌশাগী খল, উমং কোকথোকপা, তুরেলগী খোংনুং থেল্লকপা, ইরম নালা মোৎশিল্লকপা ফুনজিল্লকপা, নমদুনা পীজরিবা ময়াই কাবা দ্রগ, করন্না মসিদগী ঙাকথোক্কনি হায়বনচিংবা কয়াদসু খন্ন–নৈনবা য়াওখি।

ঙসিগী মীরোলনা তুংগী মীরোল কনসি, নমদুনা নহাশিংদা ময়াই কাবা দ্রগশিং পীজদুনা মরৈবাক মরমদম নুংশিরকপা ঙমদনবা হোৎনরিবা অসিসু পূন্না খঙমিন্নবা মতম ওইরে। ইশানা ইশাগী ইরৈপাক ইরমদম অসি ঙাক্লবা হোৎনবা তঙাইফদে। মরম অসিনা ইনখৎলক্লিবা নহাশিংবু মহৈ–মশিন নীংথিনা তমহন্নবা হোৎনবিবগা লোয়ননা মমা–মপা, ওজাশিংনা অহেনবা অচৌবা থৌদাং লৌবিদুনা লমদম অসিগী তোপ তোপ্পা পুৱাগী ওইবা ৱাফমদসু মখোয়বু অচুম্বা লম্বীদা পুনবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

# হেল্থ কার্দ এনরোলমেন্ট কেম্পেইন থৌরম চীংমৈরোংদা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭(এস এন এস)ঃ মৈতৈ বাপটিষ্ট এসোসিয়েসন (এম বি এ) অমসুং ষ্টেট হেল্থ এজেন্সি (এস ঐচ এ) মণিপুর অনী পূন্না খূৎলান্নরগা চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাঙ (সি এম ঐচ টি) অমসুং প্রধান মন্ত্রি জন অরোগ্যা যোজনা (পি এম জে এ ৱাই) গী হেল্থ কার্দ এনরোলমেন্ট কেম্পেইনগী থৌরম অমা ঙসি চীংমৈরোংদা লৈবা এম বি সি কেম্পসতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা কাঙলূপকী ইরাংনা মরম ওইরগা অৱা–অনা তারবা অমদি ময়ূম–মকৈ লৈজদ্রবশিং, মণিপুর তম্পাক লমদা লৈরিবা খৃষ্টিয়ানশিংসু য়াওনা মশাগী চহী ৭০ রোম শুরবা অহলশিং য়াওনা মীওই ১৫০ রোমননা শরুক য়াদুনা সেন্ত্রেল অমসুং মণিপুর ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা পীরিবা হকশেলগী খুদোংচাবশিং ফংহনখি।

# হায় কোর্টতা উ চারা থাখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭(এস এন এস)ঃ হায় কোর্ট ওফ মণিপুর অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কী ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট অনী পূন্না খূৎশন্নদুনা ৭৬ শুবা বন মহোৎসবকী শরুক অমা ওইনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী কেম্পসতা উ চারা থাবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস, জষ্টিস কে সোমাশেকর, হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জজ জষ্টিস এ বিমোল, হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জজ জষ্টিস এ গুনেশ্বর শর্ম্মনচিংবা মরু ওইবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস, জষ্টিস কে সোমাশেকরনা হায়, উ থারিবসি ফ্রেশ ওক্সিজেন ফংনবা অমদি তুংদা হৌরক্লিবা মীরোলগীদমক্তনি। হৌজিক মালেমগী ওইনা হোংলক্লিবা অইং–অশাগী খল অমদি পোল্লুসন থোক্লিবা ময়াম অসি উ খক্তনা কন্ত্রোল তৌবা ঙমগদৌরিবনি।

# মহৈরোইশিং পূক্নীং থৌগৎখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭(এস এন এস)ঃ য়ুনাইটেদ ক্লব ওফ য়াইস্কুলগী অহানবা ফাউন্দেসনগা লোয়ননা চহী অসিগী ঐচ এস এল সি এগজামিনেসন অমদি হায়র সেকেন্দরি এগজামিনেসনদা মার্ক ৱাংনা পাস তৌরকখ্রবা লৈকাই অসিগী মহৈরোইশিংদা শেলগী মনা পীদুনা পূক্নীং থৌগৎখ্রে।

য়াইস্কুল জনমস্থানদা লৈবা সীকো কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা নেসনেল স্পোর্টস একাদমীগী তাইকুন্দো মশান্নগী কোচ থোকচোম জশোবন্ত, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী রিটয়ার্ড প্রোফেসর ডা কোন্সম শরত, ৱাই এ সিগী প্রসিদেন্ট সোরোখাইবম শরতচন্দ্র অমদি য়ু সি ৱাইগী প্রসিদেন্ট চান্দম সুর্জিৎনা থৌরমগী মরু ওইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা চান্দম সুর্জিৎনা হায়, কুমজা ২০২৩ গী মে ৩ দগী হৌদুনা চত্থরক্লিবা ইরাং অসিগা মরী লৈননা লৈবাক অসিগীদমক করিগুম্বা থৌদাং খরদি লৌবা হায়বা ৱাখল্লোনদা ক্লব অসি শেমখিবনি। মীয়ামগী থবক তৌবদা অফবা মহৈরোই পুথোকপা তঙাইফদে হায়দুনা মহৈরোইশিং পূক্নীং থৌগৎপা ওইনা থৌরম অসি চত্থবনি।

অফবা মহৈরোই পুথোক্লবা ক্লব অসিনা লেপ্তুনা হোৎনখিগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ষ্টুদেন্টস ইন্দক্সন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭(এস এন এস)ঃ এন জি কোলেজ ইম্ফালগী একাদমিক সেসন ২০২৫–২৬ কী অহানবা সেমিষ্টরগী মহৈরোইশিংগী ওইবা ষ্টুদেন্টস ইন্দক্সন প্রোগ্রাম ঙসি কোলেজ অসিগী জুবিলি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল প্রোফেসর শামুরাইলাৎপম শান্তিবলানা অথোইবা মীথুং, ভাইস প্রিন্সিপাল অদিমো ন্যুমাই, আই ক্যু এ সিগী কোওর্দিনেটর ডা ৱাকস্বম ধিরেননা অখন্নবা মীথুং অমসুং এন জি সি টি এগী প্রসিদেন্ট রাজকুমার ইবোয়াইমনা থৌরম মপু ওইখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা প্রোফেসর শামুরাইলাৎপম শান্তিবলানা হায়, কোলেজ অসিদা নৌনা তল্লক্লিবা মহৈরোইশিংদা কোলেজ অসিগী ইনভাইরোনমেন্ট, বেকগ্রাউন্দ, ইথোস, দিসিপ্লিনশিং কুপ্না খঙহন্ননবা অমদি মখোয় মশেল অমগা অমগা শক খনহনবগী পান্দমদা প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি।

ষ্টেট অসিদা এন ই পি ২০২০ হেক ইমপ্লিমেন্ট তৌখ্রবা মতুং চহীগী ওইনা ষ্টুদেন্টস ইন্দক্সন প্রোগ্রাম অসি পাঙথোক্তুনা লাক্লি। হন্দক্কী একাদমিক সেসন অসিগী ওইনা পূন্না মহৈরোই ৭০০ রোম এদমিসন তৌরকই হায়না ফোঙদোকখি। ষ্টুদেন্টস ইন্দক্সন প্রোগ্রাম অদুদা তোঙান তোঙানবা সবজেক্টশিংগী অহানবা সেমিষ্টরদা মিং চল্লকখিবা মহৈরোইশিংসু শরুক য়াখি।

# ফজরৈ লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ০৭(এস এন এস)ঃ লুৱাংশঙবম অৱাং লৈকাই হাওতাবি মমাং মৈরা পাইবীগী ফাউন্দর সেক্রেটরী ওইরম্বা মঙশাতাবম ফজরৈ মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইরগা লৈখিদবদা লুৱাংশঙবম অৱাং লৈকাই হাওতাবী মমাং মৈরা পাইবীগী প্রসিদেন্টনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, ফজরৈ জুন ২৯দা লৈখিদবনি। লৈখিদ্রবীগী থৱায়না তাইবং শেম্বা মপুগী লৈকোলদা ইংনা চীক্লা লৈবা ওইরসনু। লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি।

মহাক্না লৈখিদবদা মৈরা পাইবী লুপ অসিনা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা ইকায় খুম্নবা উৎতুনা মিনিট ২ তুমিন্না লেপখি। মহাক্না লৈখিদবদা মৈরা পাইবী লুপ অসিগী অচৌবা মাঙজবা অমনি। ফজরৈনা হিংলৈঙৈ মতমদা লুপ অসিগী য়াইফ থৌদাংশিংদা মাঙজিল থানা হোৎনরমখি হায়রি।

# য়াশিন্নবা পুরকখ্রে...

*লমায় ১গী মখা...*ওঠোরিটি অমদি মহৈরোই লূপ অসিগী লুচিংবশিংগা পূন্না ফম্মীন্নদুনা মীফম পাঙথোক্লবা মতুংদা পাঙথোকপা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল এম খেরোদানা হায়, স্কুল অসিগী এদমিসনগী মতাংদা মহৈরোই লূপ এইমসকা এদমিসন কম্মিটি অনীগী মরক্তা অমনা অমবু লান্না খন্নরম্বনি। অদুবু হৌজিক্তি লূপ অসিগী লুচিংবশিংগা পূন্না ফম্মীন্নরবা মতুংদা মরী লৈনবা চে–চাং পূম্বা পুথোক্তুনা খন্নরবা মতুংদা ৱারোইশিন পুরকখিবনি।

পাউমীশিংগা উন্নবা অদুদা য়াওখিবা এইমসকী ভাইস প্রসিদেন্ট সলাম সুলিনা হায়, স্কুল অসিগী এদমিসনগী মতাংদা লৈরম্বা চয়েৎনবা অদু স্কুল ওঠোরিটিনা মরী লৈনবা চে–চাংশিং পুথোকপগী মথক্তা লাক্কদবা চহীশিংদা অসিগুম্বা হন্দক্কী অসিগুন্না লান্না উগদবা থবক অমত্তা তৌররোই হায়না থাজবা পীবদগী লূপ অসিনা স্কুল অসিগী মথক্তা অকনবা মীৎয়েং চঙলম্বা অদুসু হন্দোক্লে। মখা তানা স্কুল অসিদা অফবা একাদমিক এটমোসফিয়ার অমা পুরক্লবা লূপ অসিগী মায়কৈদগীসু স্কুল ওঠোরিটিদা মতেং পাংগনি।

# 'লৈঙাক্না মখা তানা তুমিন্না...

*লমায় ১গী মখা...* ৪৫ নি শুরবা অসি ফাওবদা লৈঙাক্না চপ চাবা এক্সন লৌখৎপা ঙল্লক্তবা হায়বসি খ্বাইদগী লাইবক থীবনি। লৈঙাক্না শেমখিবা ইনক্বারি কম্মিটি অদুনা গ্বালতাবীগী থৌদোক অদুদা য়াওখিবা পাউমীশিং কৌখৎতুনা ৱাহং পাউহং চত্থখিবসু লৈখ্রবনি। মরম অসিনা অথুবদা চপ চাবা ৱাফম খঙহল্লক্ত্রবদি অমজু অমদি ই জি এম তান্নরগা মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লগনিসু হায়খি।

# নুপী অমনা থাঙনা থিনবদগী...

*লমায় ১গী মখা...* য়েংলগা হোস্পিটালদা পুখৎপীগে হায়বা ৱাখল খনবগী মহুৎতা শিবগী মতম ঙাইহনবা মতাগুম থোকখিবা থৌদোক অদু শাথিনা ক্রাইম অমা ওইনা লৌনৈ। মরম অদুনা ভিডিও নল্লিবা অমসুং ৱাহং–পাউহং চত্থরিবা অমসুং য়েংদুনা লৈরিবা খুদিংমক সম্মোন তৌনবা খঙহনখ্রে।

# টেক্স অদুমক থীহল্লগা...

*লমায় ১গী মখা...* লৌথোকখ্রে হায়বা খঙলে। শাবা লোইরবা মতুংদা কীষ্টৌন ইনফ্রা প্রাইভেট লিমিটেদনা চহী ৫ মেন্টিনেন্স তৌগদবনি হায়রবনিনা ঙসি ফাওবা শীজিন্নবা হৌদ্রবসু মেন্টিনেন্সকী শেনফমসু লৌথোক্লমগনি হায়বগী চিংনবা লৈরে। মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা অথুবদা ঈশিং পীনবা হোৎনবিয়ু।